## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?
(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা 'উশিন' হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
(৩) 'ত্যাগপত্র' হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্নো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা 'শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং' হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?
(৫) 'শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াওদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।' শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি
১) কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল - (১,২,৩,৫)
২) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,৩,৫)
৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা - (৫)
***৪) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (১,২,৩,৫)***
৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৩, ৪, ৫)
৬) সোরোখাইবম ব্রোজেন্দ্রো, ইরম সিফাই মমাঙ লৈকায় - (৩,৫)
৭) অনন্দকুমার খুঞ্জামযুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৪)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০গী ৱিন্নর

***য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

লিটরেরি ক্যুইজ ১০গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ***ফেব্রুৱারী ৭, নোংমাইজিং*** নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০গী পাউখুম

১) মণিপুরী সাহিত্যদা ইহান হান্না এসে (রচনা) ইদুনা পুথোকখিবা অইবদু কনানো অমসুং লাইরিক্তুগী মমিং করিনো?
***: খ্বাইরাকপম চাউবা; ছাত্র মচা***
২) মণিপুরগী অহানবা এফ এ (কোন্না আই এ হায়না খঙনখিবা) পাস তৌখিবসি করম্বা চহীদনো? ***: ১৯১৪ দা***
৩) অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্তু করিনো, কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙখিবগে? ***: বঙ্কীম চন্দ্রগী 'কপাল কুণ্ডলা' হায়বদু মুতুম কোইরেং সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ইং ১৯৪৮ দা ফোঙই।***
৪) "শজিবুগী চীংথ্রাউ মপাল' হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবদু কনানো? ***: ৱারী মচাগী লাইরিকনি; অইবা-কয়ামুদ্দিন পুখ্রীময়ুম***
৫) "হিজন হিরাউ" হায়বা অরিবা শৈরেংদা মথং নুমিত্তা য়ানগদৌরবা, তলা উরাই থাদুনা থল্লম্মবা পামেল তল্লা চাউথোইববু মথং নুমিত্তগী কায়নরগনি, কনবা ঙম্মরোইদো হায়না কপখিবা মমা অদু কনানো (করিনো)?
***: 'ঈরোক লাইচম লৈমা'***

## ৱারী ককনাউ — নুংশি চাংয়েং

"নুপা অমা ঙসিদি ঐবু নুংশি-নুংশিদে হায়বা চাংয়েং অমা তৌবা তারে"
"ইহ! ঐদি নঙবু য়াম্না নুংশিবনিহে"
"ৱা হায়বনা য়াপোত্তেদা"
"অদুদি কৈ তৌদুইবা?"
"ঙম্মী ঙমদে হায়দু য়েংদুইনি"
"নঙগীদমক ঐনা ঙমখিদবা করি য়াওখ্রগে?" মীরক-নারক য়েংলগা ইবোহলনা বেমচাগী তঙাংবী মখজাইদুদা খূচপ্লীনা চপ্লুই।
"হিংচাবা নাইনে, সুক থোৎখ্রবা মীগী খজাইসিদা কাজপ্লী মানবা নখূৎতুনা সুক কন্না চপ্লীসিবু নুংশিরিরো? সিদনে ঐনা চাংয়েং য়েংগে হায়সে" ইবোহলদু হন্দক্তি নুপা খরা থোকপা মান্না মশাদু খিংলপ মঙক্কদু খিত্তং থেকতোক থেকচিনগা তৌরগা কৈমতা তৌরুদবা শাদুনা পোঙনা খুম্মকই।
"য়েংঙো য়েংঙো এনিথিং, ঐদি রেদিনি, আই এম রেদি হায়সিনি"
"অদুদি হায়রগে"
"হায়য়ুনা, কনানা থিংগে, তাগে হায়না ঙাইরিসিনি"
"ঙমদবদি য়ারোইকো"
"হেরা ঐসু ইবোহলনিদা ইবোহল, কৈদৌ হায়বনো। মাঙদা উরিবা চীংসি ফুকউচো হায়বরা? অতিয়া মথক্তা ৱাংনা মসা খপ্তুনা পাইরগা উচেকসি তাপ লাউনা ফারগা নঙোন্দা প্রজেন্ট তৌ হায়রা? লোক্তাক তান্না চেল্লগা থরো হেকলুরগা নখূত্তা পীয়ু হায়বরা, এনিথিং রেদি হায়সিনি"
"নুপাসি য়াম্না মরীল ফরেদা, ঙসিদি নুপা অমা মরীল লৈ-লৈতে হায়বা য়েংবা তারে" বেমচানা মাগী মোবাইলগী ফোটো গেল্লরিদা মখূৎ খুদোম্বীদুনা ইন ইন্দুনা ফোটো অমা থিরি।
"কৈনো ৱা হায়নি হায়রগা ফোন ওইনা মেৎলিসিবো, হায়দৌদো শৎ-শৎ হায়রো"
"হায়নি হায়নি, সেকেন্দ অমত্তা ঙাইখো" বেমচানা মেৎলিবা মখূৎতো লেপ্লগা ইবোহলদা ওনশিন্দুনা অমুকসু হংই।
"নঙ তশেংনা ঐবুদি নুংদি নুংশিকো"
"নুংঙাইখিদ্রেদা থম্মোয়গী বেমচা। আই লভ য়ু হায়না লিশীংলক হায়খ্রবা নৎত্রা ঐবো?"
বেমচা নোকফেৎ তৌই, অদুগা ফোনদুদা অমুক হন্না থিরি।
"ওহ লৈরে-লৈরে। য়েংঙু সি কনানো? শেংনা হায়য়ু? ৱাদি লোৎনগুমসিকো, য়েংঙু য়েংঙু" ইবোহলনা বেমচানা উৎলিবা ফোটোদুদা কয়া থৌ-ৱা শানা য়েংদে। অদুগী মহুত্তা বেমচাগী ৱাহৈদুদা খংনোক নোকথোরকই।
"হা হা হা... নঙনা হায়সিদি ঐসি য়াম্না ওইদবা ঙাঙবগী টাইপনিনে হা, য়াম্না থাজদনা লৈরম্মীজাৎনিনা নঙদি, ঐনা অহিং তূমদখৈ নঙোন্দা মেসেজ থারি, কাং মরক্তা নঙোন্দা ফোন তৌদুনা অহিং কয়া অমা হৌখি। সিফাও নঙনা ঐবু থাজ দবা হা হা হা...'
"য়াম্না নোক্কনুদা, মতাং চাই চাদে খঙদনা পংনোক্তা নোকপা শারদনা, কান্নদে ৱাসে, পোইন্টতা ওইনা ঙাঙনসি, সিগী ফোটোসি কনানো হায়দু মুন্না য়েংঙগা মশক তাকউ"
"ইবানিগী নুংশি ৱারী শানবদা ফোটো য়েংলগা করি কানদুইনো?
"য়েংদ য়ারোই, য়েংঙু হায়সিনি, ঐনা হায়বা ইল্লি হায়দাই, ঐবু নুংশি হায়দাই, য়েংঙো সে..." বেমচানা মাগী ফোনদু ইবোহলগী মমায় মমিৎ মপাদা থোক থাংজিল্লগা য়েংহল্লি। ইবোহল য়েংই। ফোটোদু উবদা মহাক খঙহৌদনা ইলেক্ট্রিক্কী মৈ চৎপা ৱায়র অমদা নেৎলুবগা চপ হেক মান্নে, শ্বাই লাওই। লৱাই শম চপ য়ুংখি। মমায়দা হুমাং মরীক-মরীক শৌগৎলকই। ৱা অমত্তা মাগী মচিন্দগী থোরকখিদে। মরমদি ফোটোদু মহাক্কী লুহোংদুনা লৌরিবা, ময়ূমদা মানা চৎথোকপদা খোঙউপ পুথোক্তুনা মফি মরোল নান্না-নান্না শেৎহন্দুনা থারক্লিবী মাগী য়ূমগী নুপীনি। মাগী মতৌদু বেমচানা নোকফেৎ তৌনা য়েংলগা মখা শমথরকই।
"সিগী নুপীসিনা কয়ামুক লান্দুনা মপুন্সি চূপ্পা কপ্পগী চৈরাক পীগদৌরিবনো? চৈরাক পীবা ঙম্বা মীশক্তু ঐ ওইরোই, ঐ খঙই মহাক করিমত্তা লান্দে হায়বা। হায়য়ু নুপীসি কনানো ? মশক খঙদে হায়দুইরা?
ইবোহল ৱা অমত্তা হায়দে, মমায়দু লৈথোকখ্রে। খুম্ফম খঙদে। বেমচানা ইবোহলগী লৈথোকখিবা মমায়দু মখূৎনা নমদুনা মঙোন্দা ওনশিলহল্লগা শজিবু থাদা নোং নুংশিৎকা লোয়নবা লেন তারকপগুম্না মরী-মরী ঙাঙথরকই। করি করি হায়খ্রবগে হায়বা ইবোহল তরং চৎলিঙৈদা খঙহৌদে। খঙহৌদনা বেমচানা মাগী মখজাইদা খূৎপাক্লা তপ্লপ্পা পেন্দনা শেৎ-শেৎ অনী/অহুম্লক নোৎতুনা থারকপদা মহাক লৌশিং তারকই।
"নয়ূমদা নুপী লৈনা লৈনা, পাখঙ শাদুনা করিগী নুপী কোয়রিনো? ঐনা নহাকপু য়াম্না চিংনখিবনি। ঙসিদি নহাক কনানো হায়বা মুন্না খঙলে। নঙনা পাম্লিসি করিনো? নঙ ঐবু নুংশি হায়বা নৎত্রা? য়ারে ঐ য়ারে, হৌজিকমক চেল্লসি লাও"
ইবোহল ৱা ঙাঙদে, চেল্লসি হায়রকপদুদা মহাক্কী থবাক ময়ায়দা চোঙলিবা মীহুন্দু মখোল থোরকই। ফাথবা ঙমদে, মকোক ঙাওরকই। বেমচানা হায়রিদু তানা-তানা মহাক কদাইদা লৈরি হায়বফাওবা খঙজিল্লকখিদে।
"হৌগৎলো, চেল্লসে, ঐবু নুংশি, ঐগীদমক তৌবা ঙমলোইদবা লৈতে হায়না য়াম্না তোয়না হায়দাইনে। চেল্লসে। ঙমসু ঙম্মোইদবদা। নঙগীসি নুপী খুন্নাইবু উশিত্তবনি। নুপী লৈবা নঙনা পাখঙ শাদুনা ঐবু কায়হৌবসি ঐবু উশিত্তবনি, অমরোমদা নঙগী য়ূমদা লৈহৌবা নুপীবুসু উশিত্তদুনা করিসু খঙলোই হায়না মীনম্বনি। নঙনা চেল্লসি হায়রসু ঐনা য়াগদবা লৈতে। তা ইবোহল নঙ ঐবু কনানো হায়বা খঙদ্রমাল্লে, ঐ নুপী কনবা লূপকী সেক্রেটরি বেমচানি। ঙসিদি নঙোন্দা ঐ কনানো হায়বা শক তাক্লিবসিনি। নোইগুম্বসি ৱারক্কে হায়বগীদমক ঐ নঙোন্দা শক লোৎলম্বনি। ঙসিদি নঙগী নুমিৎ শুরে। নহাক নুপীবু করেম্নমা, উশিত্তবগী চৈরাক অমা ফংবা তারে। ঐনা নঙবু পুলিসতা পীগনি। নঙনা তৌখিবা নরাল অদুগী মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগনি"
হন্দক্তি ইবোহল ৱা হায়রক্লে। মশাদু থক-থক নিকপমখৈ বেমচাদা হায়জৈ,
"বেমচা ঐ লাল্লে, ঐ লাঞ্জরে, ঐ মতুংদা অমুক হন্না তৌজররোই, ঐ নঙগী নুংশি চাংয়েংদা মায়থীরে। লোয়ননা ঐবু মীকপ থোকহল্লে। প্লিজ ঐবু ঙাকপীয়ু।"
"ঙাকপীবা ঙাকপীদবা ঐনা ঙমদে, ঐগী লূপনা য়ারদি ঙাকপীগনি, য়াদ্রবদি ঐগীদি পাম্বৈ লৈতে। তু য়েংঙু লূপকী নুপী ময়াম অমা ঐখোয় তম্না চঙশিল্লক্লিবসে"
ইবোহল মমায় লৈথোক্তুনা য়েংবদা নুপী তরামুক মফি হাইগৎতুনা শাউনা চঙশিল্লকপদু ইবোহলনা উই। লোয়ননা বেমচানা লৈশিল্লকপদা হৌগৎলগা লেপ্তুনা লৈরম্মী। ইবোহলনা বেমচাদা পেরি পেরি য়েংলি।

— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

# লক-লাইবক-বিধাতা...

ঐখোয়, মীওইবগী পুন্সিদা 'মায় পাকপা' নৎত্রগা 'পাক্তব'গী ৱারী শানবদা তত্তনা পন্নবা ৱাফম অমনি - লাইবক্লা চানবা নৎত্রগা চান্দবা। মায় পাকপগী চাং ৱাৎলবা (মায়থীবা হায়গুমসি) মীশিংনা, মায় পাকখ্রবা মীশিং অদুবু 'লাইবক্লা চানবা মী' নি হায়দুনা শীংথানবা- ঐখোয়না তোয়না থেংনরবা থৌদৌনি। ঐখোয়গী লোন'দা 'লাইবক' হায়বা ৱাহৈসিনা শুপচিন্না হেক্তা খঙনখ্রবসু ইংরাজি লোন'দদি লক/ফেট/ফোর্চ্যুন/দেষ্টিনি হায়বনচিংবা তোঙান তোঙানবা ৱাহৈ শীজিন্নফমসু তোঙানবা লৈ। মখোয়দু কূপ্না, শন্দোক্লা ইজরোই। লাইবক/লক হায়বসি তশেংনা লৈবরা? লৈ নৎত্রগা লৈতে। অনীমক্কী অর্গ্যুমেন্ট লৈগনি। ৱারেং অসিগী পান্দম - প্রোপোজিসন অনীসিগী মরক্তা অমগী নাকন্দা লেপ্লগা, 'মদু চুম্মী' হায়ননবা হোৎনবসু নত্তে। কনাগুম্বা অনীখক চপ মান্নবা খুদোংথীবা তানফম অমদা তামিন্নরুরে। অমগী মথ্বায় মাঙখরে, অমনা শিনীংচিত্তা হিংহৌরে। অদুগুম্বা থৌদোক অদুবু ঐখোয়না 'লাইবক থীবা থৌদোক' হায়না শীংথাগনি, হিংহৌরিবা মীদুগী মরমদনা 'মরাইবক লৈদুনা হিংহৌরে' হায়গনি। লোট্রি অমা ফাওবা নৎত্রগা হাওসি (তম্বোলা) গেম অমগী হাওজ-ফুল-প্রাইজ-ৱিন্নর ওইবদুবুসু 'লক্কী ৱিন্নর' কৌগনি। ঐগী থিয়েটর কম্পনিগী লিদিং এক্টর ওইরম্বা মরুপ অমা, মমাঙঙৈ, লুপা কুন পীবা হাওসি টিকেট অমনা মোটোর-সাইকল অমা ফাওখিবদগী 'হাওসি' পনবা য়াদবা, পাম্মুবা লৈত কোয়থি থিদুনা মমল য়ান্নবা টিকেট কয়া লৈদুনা মরাইবক য়েংখিবা, হাওসি-এদ্দিক্ট ওইখিবদগী মরোন-মরাং তাকখিবদু নীংশিংই। হাওসি য়াম্না ফাওগল্লি হায়দুনা, লৈকায়গী মীনা কল্লকপা টিকেট ফাওবা মঙোন্দা শেল পীদুনা ককহনবা, ঐখোয় লৈকায়গী ইনাও অমা লৈ। অদুবু, মহাক লাইবক্লা-চানবা-নুংঙাই-য়াইফবা মী হায়বদুদি শুকওই ওইখিদে। অদুগা, ঐনা মশক খঙবা, লাইরিক-লাইশু-মহৈ-মশীন নীংথিনা তমখিদবা, মহাক্লা তৌবা কারবার খুদিং মায় পাকই, লাইবক্লা চাল্লি হায়নবা, ইনাক খুনবা কারবারৱালা ঐনা খঙবা খরা লৈ। মখোয়গা নক্লবা মী খরদগী ফংবা রিপোর্ট'তগী কোন্না খঙলকই - মখোয়গী মরাইবক লেপ্লিবা, থৌজাল হৈবা লাইবক্কী লাইরেম্বীদুদি 'আইন্না য়াদবা, অতোপ্পা মরাল লৈতবা মী কয়াবু অৱাফমদা লংশিনবা, অরোনবা-হুরান-কারবার' ওইরম্মী।

'লক' হায়বসি করিনো? 'লক্কি মেন' হায়বসিনা করম্বনো? হায়বনচিংবা সাইকোলোজিকল ওইবা অস্পেক্ট অদোমদা নৈনরগুমসি। পাক-চাউখ্রবা হীরম অমনি। লম্বীদা থোকপা (রোদ) এক্সিদেন্টশিংদা মী শিবগী চাং খ্বাইদই ৱাংবসি ইন্দিয়ানি (চাংচত্তা লাখ ২.৫০দগী ৩ ফাওবা)। অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মফম তান্নরিবনা চাইনা (লিশীং ৬০দগী ৬৩ ফাওবা) অমসুং অমেরিকা (লিশীং ৩০দগী ৩২ ফাওবা) নি। মণিপুরদা হন্দক নুংঙাইতবা রোদ এক্সিদেন্ট খরগী পাউ অমদি শিবা/নাবগী পাউ তারকপদুদা, মরী লৈনবা মপান লমগী ৱারেং খরা পাদুনা নৈনরুই - করিগী ইন্দিয়ানা নম্বর ৱান তারিবনো? অমেরিকান ত্রাফিক ইঞ্জিনিয়রনি হায়বা অমখক্লা হায়বা ৱা অমা বৃটিশ রাইটর অমনা ইবা এসে'দা অখন্ননা পল্লকপদু ঐনসু ৱারেংসিদা হেক পন্নীংলুরে। মদুদি ... তশেংনা কূপ্না থিজিল্লুরবদি ঐখোয়না ঙসি লম্বী-সোরোক্তা থেংনরিবা খুদোংথীবশিং অসিদি অয়াম্বনা ঐখোয় মীওইবনা চেকশিন্দবদগী নৎত্রগা মীওইবনা শাবা ইঞ্জিনশিং অদুগী মেকানিকেল ফেলরদুগী, নৎত্রগা, ফেক্টর অনীমক্লা মরম ওইরগা থোকপনি, অশেংবা এক্সিদেন্ট হায়বদু নত্তে'...। মহাক্কী ৱাফম অসি য়েৎননীংঙাইদি ওই হায়ববু খন্থনীংঙাইসু ওই। এক্সিদেন্ট হায়বসিগী ৱাহন্থোক, পূম্নমক্লা খঙনরিবদুনি - ইখঙ খঙহৌদনা, থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমা, কনাগুম্বা অমত্তগী থৌইনশিন য়াওদনা থোক্লকপা থৌদোক, অমাঙ-অতা থোক্লকপা অদুবু এক্সিদেন্ট কৌই ... লাইবক্লা এক্সিদেন্ট থোকহনবা নত্তে'।

মসিগী ত্রাফিক -ইঞ্জিনিয়র-এক্সপার্ট অসিনা হায়রক্লিবা/পুখৎলকপা অর্গ্যুমেন্ট অসিদা খন্থনীংঙাই ওইবা, লৌবা য়াবা ৱা অমা য়াওরি। হৌখিবা মীরোল কয়াদগী অখঙ-অহৈ-লৌশিংবশিংনা হায়নরকপা ৱা অমনি - তাইবঙসিদা থোক্লিবা থৌদোক নৎত্রগা ৱাথোক খুদিংমক্কী হৌরকফম/মরম অমমম শোয়দনমক্কী লৈরমগনি। নোং চুরিবা, নোংথাং কূপ্লিবা, নিংথম-কালেন নাইরিবা, ঈপাক্লা ঈপোম নাইরিবা, অচৌবা ঈথক হৌরিবা (জ্বার কারিবা), অম্মম অঙান খায়রিবা... মরম অমা লৈরিবনি। এক্সিদেন্টেল ওইবা থৌদোক নত্তে। অদুবু, জুরাসিক-এজ (চহী মিল্লিয়ন ১৪৫দগী ২০০মুক্কী মমাঙগী মতম) অদুদা অহাঙবদই পাইরকপা অচৌবা পোৎশক (মেতিওর) অমনা মালেমদা থেঙজিনবদগী, মতমদুদা মালেমদা লৈরম্বা/পাল্লম্বা দাইনোসরশিং মৃৎখিবগী থৌদোক অমা থোকখি থাজনরিবা অদুনা এক্সিদেন্টনি হায়বা য়াই। ঙসি নোংমগী অঈং-অশা, এক্সিদেন্টেল নত্তে। অদু ওইরবদি, এক্সিদেন্ট হায়বা থৌওং অসি মীওইবখক্তদা থোকপা থৌদোক্লা? থৌদোক অমই মরমদা মরম অমা লোৎপগুম এক্সিদেন্টকী মরুমদা মীওইবগী খূৎ অমা য়াওফম থোক্তবরা? ৱাহং অমা থোক্লকই। রসিয়া, চাইনা, অমেরিকাদা থোকপা রোদ এক্সিদেন্ট অমদি মীশি-মীনা মশীংগা, ইন্দিয়াগী রোদ এক্সিদেন্টতা শিবা মশীংগা খেন্নরিবা অসিনা ময়েক শেংনা তাকথোকচৈ- মীওইবনা পায়খৎচবা চেকশিন থৌরাং অমদি লম্বী চৎপগী চৎন-পথাপ ঙাক্লা চৎপা/চত্তবা হায়বসিনা লম্বীদা থোকপা খুদোংথীবগী চাং হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপগী ৱারেপ্লফমনি। থোক্লগদবা খুদোংথিবা নৎত্রগা নুংঙাই-য়াইফ মীকূপ খুদিংমক, নোংদোলথক্তা নোংদম্বনা হান্না ইথোক্তুনা থল্লবা লাইবক্কী লাইরিক অমগী ৱারোল মতুংইন্না ওইরকপা নত্তে।

অদোমগী পুন্সি অদুনা ঙসি ফাওবা হিংলকপসিদা, কনাগুম্বা অমনা মহাক্লা মায়থীবগী মরম মশাগী মরাইবক্তা তাইনদবা কনা থেংনবীরকখ্রবগে? অদুগা, 'সিমসু শোয়দনা থেংনবীরমনি - মখোয়দুনা, অতোপ্পা মায় পাকখ্রবা মীওইশিং অদুবুসু 'লাইবক্লা চানবা মী'নি হায়না শীংথাবা। মায় পাল্লবা মীশক অমগী মায় পাকপা মীকূপ অদু ফাওবগী খোঙচত্তা থেংনখিবা মায়থীবা-মীকূপশিংগী এক্সপরিঅন্স অদুদি কনানসু নীংশিংবীদে। মায়থীবগী এক্সপরিয়েন্স অদুনা মথৌ শঙলবা, হনবা নাইদা হোৎনখিবা মীকূপশিংদুগী ৱারীসু কনামত্তনা লীবিদে।

ইজরিবা ৱারেংসিগী পান্দম, অতৈ নত্তে, অফবা নৎত্রগা ফত্তবা 'লাইবক' (লক) হায়বসিদা থাজসিরা? নৎত্রগা থাজরোইসিরা? হায়বসিদা ৱাখল অমুক্তং খন্থমিন্ননীংলুবনি। 'কোজ' এন্দ 'ইফেক্ট' হায়বা নেচরেল লো অমা লৈরিবসি ঐখোয় য়াথোকসি। কনাগুম্বা অমগী 'গুদ-লক' করম্না ওইখিবনো থিগৎলুবদা ফংগনি - থবক্তুগীদমক্তা মহাক্লা করি থৌদাং তৌরকখিবা, করম্না শেম-শারকখিবা, পূক্লিং অনী লোঙদবা অচেৎপা ৱাখল, অসিনচিংবগী ৱারী, কনাদসু লীথোক্তবা। 'দাও য়াদে'/'লাইবক্লা চান্দে' হায়না তোয়না হায়গনবা মীশিংদুগী মফমদনা থোক্লমগনি মসিগী ওন্ন-তৈনবা-থবক্তা পূক্লিং চঙদবা, হোৎননীংদবা এত্তিচ্যুদ, হোৎনর'সু ওইরোইদবসিবু ... হায়বনচিংবগী নেগেটিব থোট। থবক অমইদমক খোঙশাল্লকপদা হৌদোংনা ঐগী মাঙদা, লম্বীদুদা, তুবৎ লান্না চৎখিবদা - 'থবক্তু মঙ্গল ওইররোই' খন্নবা, ষণনাউনা ষণবীগী শঙ্গোম থকপা উরগনা 'নুমিত্তুমা লাইবক্লা চাল্লনি' খন্না-ৱাখল নুংঙাইবা ... ঐখোয়গী পূক্লিং-ৱাখলসিখক্তনা শাগৎচবা 'নোসন'নি। মীওইবগী লাইবক ইবা 'নোংদম্বা' (বিধাতা) কৌবা লাই অমা নোংদোলথক্তা ফমদুনা লৈতে, 'অরোন-অথুপ' পাউ-পুবা 'চিত্রগুপ্ত' কৌবা স্পাই-গোদ অমসু লৈতে, 'লাইবক কৌবা ফেনোমেনন অমা লৈ' খন্নবদুসু মোন্দ্রঙনি। ইশম শম্না লাইবক (লক/ফেট/দেষ্টিনি/বিধাতা) কৌবা, তম্বা ঙমদবা, শকউদবা কনাগুম্বা অমনা শান্নবা লীলা/কুমহৈ অমা লৈ খন্নরিবা অসিমক, ঐখোয় মীওইবনা তৌখিবা/পাঙথোকখিবা থবক (কর্ম) অমগী মহয়নি হায়না ৱাখল লৈবা কনানা হায়রম্লিবা অদুনি। মমাঙ' মপোক্তা (নহা ওইরিঙৈ) পাঙথোকখিবা কর্মগী ফল, মথং' মপোক্তা (অহল ওইরক্লগা) ফংই হায়নরিবনি। 'পুন্সি হায়বসি তম্বা ঙমদবা ঙাক্তনা থল্লি' হায়বা ৱাহায় অসি হোংদোকসি। 'ঐগী পূক্লিংনা খোয়দাখিবা, পামজখিবা পোৎশক খুদিংমক, ঐগী পূক্লিং লৈকোলদা মরূদগী ময়োল চোঙ, পাম্বী ওইনা হৌগৎলক, লৈশাৎ তম-মহয় য়াল্লকই' হায়বসিসু কাউগুমসি। মদুনা লাইবক ওইরকই।

-***সোইবমচা ইন্দ্রকুমার***

# পুন্সি মৈখুলক্তা থৱায় হাপ্লিবা লাইরিক 'ৱাম্মৈরক্তা য়েন্নিঙ' - মীৎয়েং অমা



লাইরিক্কী মমিং :- ৱাম্মৈরক্তা য়েন্নিঙ
অইবী :- অরাম্বম মেমে
অফোঙবা :- দি কলচরেল ফোরম মণিপুর, ২০২১
লাইরিক মখল :- শৈরেং
লমায় মশীং :- ২৬০
মমল :- লুপা ২৫০/-
লাইরিক্কী মখুম :- কোন্থৌজম মাইকেল মৈতৈ

থাবলদি অসুম থোকখিনি, কোরৌ নুমিৎ মহাকসু অদুম লেঙদনা লৈহৌগনি। চৎখিগদবদি ঐখোয়তনি। অদুনা হায়রম্মী মহা পুরুষশিংনা অফবতা খন্দুনা, তাইবঙপাল অসিগী য়াইফনবা থবক খরদং তৌরম্বনা পুন্সিবু ৱাহন্থোক লৈনা হিংহনবা ঙমহল্লি। খোরিরোলদা থৱায় লুপচদুনা ৱাহৈশিংগী ইরোন্নুংদা ইরুপ্লিবা অইবশিংনা খুন্নাই অসিদা করিগুম্বা খরদংদি খুদোল তমজনীংই। মদু শৈরেং ওইনা নৎত্রগা ৱারেং ওইনা হেক হেক ফোঙদোক্লকই। কনাগুম্বশিংনা হায়নবা য়াওই মণিপুরদা ফোঙলিবা লাইরিকশিং অসি নহারোল হৌরক্লিবশিংনা কয়া পাদে অদুগা লাইরিক ওইনা কয়া লৈনদে হায়। অদুবু ঐখোয়গী নৌনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা লাইরিক কয়া পারি, কয়া অমনা লাইরিক ইবা য়াওরক্লি। চহী মীয়াই চল্লবা অদুগা থবক্তগী পোথারবা মতুংদসু লাইরিক কয়া চংখোন্না ইদুনা হায়রিবা মীওইশিং অসিনা মাগী মাগী পুন্সিদা থেংনবা থৌদোকশিং, মখোয়না খুন্নাইদা উরিবা শক্তম, মখোয়গী ৱাখল্লোন কয়া, মখোয়না ওইহঞ্জনীংবা মণিপুর অদুগা ফিদমগী মশক ওইরবা খুন্নাই পূম্নমক মখোয়গী লাইরিক্কী চেনা কয়াদা ইরিবা শৈরেংগী থিম, খুফোঙদোক, শীজিন্নরিবা ইমেজরিশিং, শংলিবা ৱাহৈশিংগী মচুদা লোয়নমক নৎত্রবসু ফনা য়াম্না মমি তারি। অরাম্বম মেমেনা ইবা শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৬৮ য়াওরি। শৈরেংশিংসি মৈতৈ ময়েক্তসু য়াওহন্দুনা হৌজিক্কি অনৌবা মীরোলদা ইয়েক্তা পাবা ফংহনবগী খুদোংচাবসু পীরি। ইংলিসতা ইবা শৈরেংগী লাইরিক রিফ্লেক্সন, ২০১৩ অমসুং মণিপুরীদা ইবা শৈরেংগী লাইরিক 'চিল্লো পামজনা' হায়না মিংথোনবা লাইরিক পূন্না অনী ফোঙদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কৈদা খুদোল তমখ্রবা মতুংসিদা অইবীনা অমুক্কসু পুথোক্লক্লি 'ৱাম্মৈরক্তা য়েন্নিঙ'।

পোক্লফম ইমাবু খুরুমজদুনা শৈহৌ শৈরেং অমনা অহানবদা থল্লি অদুগা অরোইবা শৈরেংনা মিংথোল ওইরিবা 'ৱাম্মৈরক্তা য়েন্নিঙ' হায়বসিনা লোইশিল্লি। লাইরিক অসি দেদিকেট তৌরিবনা 'নৈহৎপীরবী মখোয়গী মফমদা' হায়না ইরি। মিংথোল অসিমক য়াম্না চুনবা অমদি লাইরিক অসিবু নৌহৌননা মশক লেপ্পদা কূপথনা য়েংদবা য়ারক্তে হৌজিক্কী কন্টেম্পররি লাইফ অমদি নহারোলশিংগী মোরেল। মসিদা করিসু লাঞ্জদবী নিংঙোল মপোক্তা পোকলুবা নুজা কনানা করাম চাওবা কনাগী শরৌ লাংদা থুদুনা অৱাফমদা তাদুনা খুন্নাইগী মীনোক মৈশা খাঙদুনা হিংলিবা পুন্সি কয়াগী শক্তমশিং, মীচং শঙ্গ লৈজদবা অদুগা তোল্লবা পুন্সিগী ৱাকৎশিং তাবীনবা লৈত্রবা ৱায়েলদা থাজবা মাঙখ্রবা ফীভম অদুসু ফোঙদোক্লি। ফুমদুনা লৈবা মৈরিদি থোক্তনা চাকপা ৱাম্মৈরক্তা য়েন্নিঙ অমদি চোংহনবদুনি। মরমদি পুন্সি হায়বসি শীংনবনি অদুনা থোৎলবী 'গুলাবকী ইহুল তুংইন্না/থিরক্লে পুন্সিগী অর্থ/শেৎচিল্লক্লে লানগী ফিজোল/অকনবা লাঞ্জং 'মাগীদমক্তা/খ্বাংচেৎ মচি লাংলক্লে।' অহানবা হেক হাংদোকপদা য়াওরিবা শৈরেংদগী হৌদুনা অসুম পারকপদা মখল মথেলগী থিমদা অমদি খুফোঙদোক্তা হৌজিক্কী মণিপুর খুন্নাই, মহৌশা শৈথাবা, ইমা লৈবাকপু চেৎনা লুনা খঞ্জবা, নেসনেলিজমগী ওইবা থিমদা নকশিনবা অমদি লাইনিংলোন অমদি পুন্সিবু করিনি হায়না ৱাহন্থোক পীসিগে হায়না কবিনা থিরকপগী খোঙচৎ অমদি অদুম্মক উবা ফংই।

মণিপুর, ইম্ফাল, ইন্দিয়া পাকনা শন্না অমুক য়েংলবদা মালেম তাইবঙপাল অসিদা ঙসিদি য়েংলু য়েংলু খুদিংদা অওনবা অহোংবা কয়ানা পীক থল্লক্লি। নুংশিবা য়াওদনা হিংনরি/অঙম অঙম হাৎনরি,/মশাগী ওইজবা থিবদা/অহিংসাসু লল্লোনপোৎ ওইনরি। 'পূম্নমক নহাকনি' হায়বা শৈরেংদা য়াওরি। শৈরেংশিং অসিদা অইবীনা থিরি মীওইবগী মমি শামখ্রবা শক্তমশিং অদুতবু। নাকল অমরোমদা অমুক য়েংলবদা খুন্নাই অমগী য়াংলেন শরূনি হায়না লৌনরিবা মহৈ তম্ফমশিংদা চাওরবা থৌদাং লৌরিবা ওজাগী শিনফমদা থবক তৌরিবা মখোয়গী মফমদা কবিনা থম্মোয়গী ওইবা পাউমেল অমদি পীজনীংনা ইরি নুংশিবা হায়বগী ঈরিক অদুনা চেন্থহন্নীংদুনা লমদমসিগী তুংগী মীরোলশিংদা করিগুম্বা খরদং পীনীংদুনা। ওজাশিংনা কৎথোকপা হায়বা অথোইবা গুন অদু চেন্দুনা থম্মোয়দগী থবক খরদি পায়খৎহন্নীংই মহৈরোয় খুন্নাইগী অমদি য়াইফবা লমদম অমা ওইরক্লবা হায়বসিগী ৱাখল্লোন্দা। অদুনা কবিনা ইখৌ লাংজনা শোঞ্জরি, *'মমা মপা ওইবগী/কৎথোকপগী থম্মোয় চেনবা/ওজাশিংনা খূৎলিংবা/... পুন্সি লম্বী উৎপীবা/লৈবা থোক্লবা মফমদুদা/স্কুল অমা অঙাংশিংগী/নুংঙাইখ্রনিদা! নুংঙাইখ্রনিদা!* মণিপুরদা অফবা ওজা লৈতবগী ৱাফমদি নত্তে তৌইগুম্বসুং চাংচত্তা য়েংবদা লৈরিবা ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু লমজিং লমতাকপদা লৌরিবা থৌদাং অসি খরা হেন্না থম্মোয়দগী মঙাল থোক্লা তাকপী তম্বীবদু পামজবনি।

পুন্সি হায়বসি খোঙচৎ অমনি অদুবু করিগুম্বদদি লমশাং চৎলকপদা চোকথবা মশানা ফাওরকপা তাবনি। চাওখৎপা লমদম হায়বসি অৱাংবা দলান, অতাঙবা লন-থুম অদুনা লেপকদবা ওইরমদে। অসিগুম্বা মতমসিদা, মাঙগী লম্বীনদি তেল্লকপা, পুন্সি নুমিদাংৱাইগী মতমদা কোয়না শান্না মালেম শিনবা থুংনা চৎলুরবসু পোকফম শাৎফম ওইরিবা ইরমদম ইমা লৈবাক অসিগী মহৌশাগী নুংশিবা শক্তমশিং অসিনা অইবীবু মথানুংদা নুংশিনা কোনশিনবীরকপা মতমদা কবিগী থম্মোয় বিনাদগী থোক্লক্তনা তোক্তে সুর অমদি অদুনা হায়রক্লিব খোঞ্জেল থোক্লা হোল্লো হি নঙবু হায়না মিংথোনবা শৈরেংসিদা, *'চাওখৎপনি হায়দুনা/মীশুম্বা মীনম্বা ঈশৈদা/থুরুরে পুন্সিসে লৌনম লাংদা,/পঙথরুরে খন্থবা ঙমহৌদনা/ঙাইহাক্কী মীনম্বা সুরশিংদা/পুরোনে ঐবু মনাক্তা/চীংলোন মাপলগী শাইগোন্নুংদা/নুংশিবা ইপাম লমদমদুদা,/নৌহোন কন্না হোল্লোগবা/হোল্লোনে হি নঙবু।*

পুন্সিদা করাম চাওরুবগী মশক অমদা অইবীনা আইরোনি ওইনা পুখৎলক্তুনা অসুম্না হায়রি, শিকি হুরানবা হায়না মিংথোনবা শৈরেংদা *"হায়নজৌ/অশিবা কৌবা লাইদুগা/কারগোদা বুক তৌশিল্লু/য়াবিরক্লবা পুজবা/অৱাংবা য়ুমজাও, মাল চাং/বৈতরনি ৱাংমা লান্না/পুখো কু মনুংদা হাপ্লগা/ইকায় ইকি ৱাংমা লান্না ঈজৎ পুম্বা য়োল্লগা খোমজিনখিবা...।"* তশেংনা খন্থদুনা য়েংলুরবদি করিনো পুন্সিসিদা পাম্মুনা য়েংগদবসি হায়বা পাউখোঙনি কবিনা চল্লিবসি। অরং অরাক্কী পুন্সি, লুচিংবা শানীংবা লুচিংবা মানবা মখোয়দা ওনশিন্দুনা পাউমেল্লি য়েংলম্মু হায়না পুন্সিবু অদুনা 'ভোট কাদবগী মৈচাক, শৈরেংসিদা লৈবাক্কী থৌগল তৌরম্বা পোলিটিকেল পার্টি অমনা ভোট কাদ্রবা মতমদা ওইরিবা মেন্টেল কন্দিসন ফোঙদোক্লি। "ইস! করি মতৌনো/থাজখিদ্রেদা.../মুরুম মুরুম শোল্লি মথন্তা" অইবীনা য়েংবা ঙমজদে লৈবাক্কী লুচিংবা ওইরম্লগা নোংমা মীখলদা মায়থীদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ফংদ্রবা কেন্দিদেট অমগী খনবদা। অচুম্বা হায়বসি তৌশিন্নবা য়াদে। লৈঙাক পথাপ হায়বসিসু ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়েংদুনা হেক্তা শেমজিনবা য়াবা নত্তে হায়বদুনি।

স্পিরিচ্যুএল ওইবা লম্বেলদা লাক্লবা পাউজেল পুরবা শৈরেং অমনি "ঐ কনানো" থাদোক্লম্লো নাপল কাবা থম্মোয় অদুগা লাকলো শেংলবা মীওইবা তাইবঙপালবু নুংশিবা ঙম্বা থম্মোয় ইফুৎ ফাওরকফমদা। 'হুমাং মরিক্তুনি শীংথানরিবা' শৈরেং অসিদা অইবীনা 'নোমজমল লেম্না মাঙদেদো/ৱাজমল মহয় য়াল্লিদো,/লেম্না ফংবা সনা লুপা/হুমদোকখিনি তেরা মফোলগুম/শৈরেংগী পরেং খরসিদা ফোঙদোক্লিবসিসু সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈরবা ৱারোলনি। অশেংবা লন হায়বদুদি হুমাংমলনা তানবা লন অদুনি অদুগা ওইদবা, মীনম্বা কয়া তৌদুনা তাল্লিবা লন থুমদি নোংমা মিৎনা কূপ্পদা মাঙখিনি।

'ৱাম্মৈ ওইগেরা লাম্মৈ ওইগেরা' শৈরেং অসিদা তম্বা ঙমদবা পুন্সিগী খোঙথাং অদুগী মচেৎ খরা পুথোক্লদুনা য়েক্লি ৱাহৈনা মচু ওইদুনা, "অসিনি মীওই পুন্সি/অসিনি তাইবঙ খোঙচৎ/শৈহৌদা করম্না খঙলুনি/পোলোইদা য়ূরক্কদবা তিঞ্জং?" ওন্থোক্লা ফখ্রবা খুয়েক অমনি হায়দবা ঙম্লোই পুন্সিগী মশক অমা য়েক্লকপদা ফোঙদোক্লিবা ৱাহৈশিংসে। অইবী মশামক ওজাগী শিনফমদা লৈদুনসু মণিপুরী খুন্নাইদা ইমা ইবেলশিংনা খুন্নাই অমা শেম্বদা অমদি য়ূম লিংদুনা য়ূম পুবদা লৌরিবা চাউরবা থৌদাং অসিবু করিগুম্বদা কনাগুম্বশিংনা নীংশিংলক্তবা মতমদা নুংঙাইজদবা ফাওদবা নত্তে। অদুনা মহাক্কী কলমদা থোক্লকখি 'শিংথাবিদ্রবা কূপ্লোমশিং' পূম্নমক ওইদুনসু অখাং কনবী, থৌনা লৈবী মমা অমা ওইদুনা, ওজা অমা ওইদুনা, তোঙান তোঙানবা শিনফমদা থবক তৌদুনা অমদি নুপী অইবী কয়ানা লাইরিক ইদুনা ফোঙনরক্লিবা অসিদা লাইরিক অসিনসু ইনোৎ হাপ্লি। লাইরিক অসিনা মণিপুরী খুন্নাইদা, মীওইবা জাতিদা করিগুম্বা পাউজেল খরদি পীরি।

— **তোংব্রম অমরজিৎ**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।